# জেদ ঈ ওগী ওর্দর মতুংইন্না স্কুল শিদোকপনি : প্রিন্সিপাল

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস) :
হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী অরিবা বিল্ডিংগী মতাংদা দি ৱাই এফ হৈরোক কেন্দ্র কৌবা লূপ অমনা পাউচে অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াশিংদা থল্লক্লিবা ৱাফমশিং অদু য়ূম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি। মরী লৈনবা জেদ ঈ ও জোন (থ্রী) থৌবালগী ওর্দর অমগী মখাদা স্কুল অসিগী হান্নগী অরিবা বিল্ডিং খরা শিদোকপনি হায়না হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল এল জিল্লানা ঙসি স্কুল অদুদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোরক্লি।

প্রিন্সিপালনা মখা তানা হায়, জেদ ঈ ও জোন (থ্রী) থৌবালনা হৌখিবা জুলাই ২দা ওর্দর অমা থোক্তুনা হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী অনৌবা বিল্ডিং অমা শাবা লোইরকপগা লোয়ননা অরিবা বিল্ডিং শিদোকপদা অয়াবা পীরে হায়বা ওর্দর অমা ঐঙোন্দা থারকখি। হায়রিবা ওর্দর অদুগী মতুংইন্না স্কুলগী অরিবা বিল্ডিং অদু শিদোকখিবনি। হায়র ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা কনাগুম্বা অমত্তনা স্কুলগী বিল্ডিং শিদোকপা য়াবা নত্তে হায়বসি পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অরিবা স্কুল শিদোকখিবগী মাল চাংশিং অদুসু স্কুলদা হৌজিক হৌজিক লেঙদনা লৈরি। খরা অমনা স্কুলগী ফেন্সিং খাবনচিংবা থবকশিংদা শীজিন্নরি, কনাগুম্বা স্কুল শিদোকপদা য়াওবা মীওইশিংনা উতেক অমা অনীগুম্বা শীং থানবা পুখিবদি লৈরম্বা য়াই। মদুমক্না স্কুল শিদোকখিবগী মাল চাংশিং শায়েন ঙায়েন্নদুনা অরেম্বদা মাঙহল্লে হায়না মরাল শীরকপদি হায়মনবা থোক্কনি হায়রদুনা স্কুলগী মাল চাং নিংথিনা তেক্তা কায়দনা থল্লি। অশেংবা খঙদনা হেক্তা মরাল শীবসি স্কুলগী প্রিন্সিপাল অমা ওইনা নুংঙাইতবা ফাওই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কনাগুম্বা চাওখৎপা পাম্বা লূপ নৎত্রগা মীওইশিংনা স্কুলগী ষ্টাফ অমত্তা লৈত্রিঙৈদা স্কুল কেম্পসতা হেক্তা চঙলক্লগা ইন্সপেক্সনচিংবা তৌবগী থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবীগনু, স্কুলদা ষ্টাফনচিংবা লৈবা মতমদা লাকপীয়ু, থোঙ লাউনা হাংলি। স্কুলগী প্রিন্সিপাল অমা ওইনসু অয়াম্বা মতমদা স্কুলদা অদুমক লৈজে। করিগুম্বা ওফিসকী থবক লাক্তুনা ইম্ফালদা চৎখিবদা থেংনদবা য়াওরম্বদি য়াই। অয়াম্বা মতমদা স্কুলদা লেংদনা লৈ। স্কুল চাওখৎনবা অমদি মহৈরোয়শিং ফগৎনবা তাথোক-তাশিন তৌমিন্নসি, সজে সনশিং পীবিয়ু। ওজাশিং অসি অঙাং শেম্বদা লৈজরিবনি। অঙাং শেম্বগী ৱাখলদা লৈজরিবা ওজাশিংবু অতোপ্পা হীরম অমদা কোক চাইথোকহনবীগনু, অঙাং শেম্বদা ওজাশিংবু কো-ওপরেসন পীবিয়ু হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী এস এম দি সীগী কনভিনর লাইশ্রম রাজেননা হায়খিবদা দি ৱাই এফ হৈরোক কেন্দ্র কৌবা লূপ অমনা হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী অরিবা বিল্ডিংগী মতাংদা মীয়ামদা অরানবা পাউদম কয়া শন্দোক্লকপসি এস এম দি সীনা য়ানীংদে। অরিবা স্কুল শিদোকখিবগী মাল চাং এস এম দি সীনা চেকশিন্না শেন্নদুনা থল্লি, মাঙহনবা লৈতে। স্কুলগী ফেন্সিং খাবা অমদি গেটনচিংবা শাবদা শীজিন্নরি। হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী অনৌবা স্কুল বিল্ডিং অমা শাবা লোইরকপগা লোয়ননা ফজবা প্লেগ্রাউন্দ অমসু হাপ্পবা হান্নগী অরিবা বিল্ডিংগী শুরক খরা অসি মরী লৈনবা জেদ ঈ ওগী ওর্দর অমগী মতুংইন্না শিদোকপনি। দি ৱাই এফনা অশেংবা খঙদনা লৈবাক মীয়ামদা লান্না উহনবা অসি লাইবক থীবনি। লূপ অমা ওইরবদি তুং-মাং য়েংনা থবক তৌবীয়ু। অসিগুম্বা মীয়ামদা লান্না উহনবগী থবক অসি দি ৱাই এফনা মতুংদা অমুক হন্না তৌবীগনু। করিগুম্বা মখা তানা তৌরক্লবদি এস এম দি সীনা আইনগী মতেং লৌরগা এক্সন লৌখৎকনি হায়খি।

ঙসিগী মীফম অদুদা স্কুলগী ওজাশিং অমদি এস এম দি সীগী অতৈ থৌপুবশিংসু শরুক য়াখি।

# মিদ-দে-মিল ৱর্করশিংগী ওনররিয়ম অথুবদা পীথোকপীয়ু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস) :
মিদ-দে-মিল ৱর্করশিংগী ওনররিয়ম অথুবদা পীথোকপীনবা ওনরেবল মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী মফমদা হায়জরি হায়না মিদ-দে মিল ৱর্করস য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৱাই ইন্দ্রনিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা মিদ-দে-মিল ৱর্করশিং (কুকশিং) গী ওনররিয়ম মালেমগী পেন্দেমিক ওইরবা কোভিদ-১৯গী চৈথেং মরক্তা থবক লেপ্পগী মীংদা হায়রিবা কুকশিংগী ওনরিয়ম পীথোক্তনা লৈখিবদু সেন্টরদগী অথিংবা পীবা লৈতে হায়রকপগী মতাংদা হৌজিক হৌজিক মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইবিরিবা এস রাজেন মশামক্না ওনররিয়ম পীথোকপদা মহাক্কী মায়কৈদগী অথিংবা অমত্তা লৈতে, চহীসিগী সেপ্টেম্বর ফাওবগী ওনরিয়ম থাদোকখ্রে হায়বীরকপসি অফবা থৌশিলনি হায়না লৌজে। অদুন্নদি ওইরগা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওনরিয়ম থাদোকখ্রবসু মরু ওইবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি ইম্ফাল ইষ্টতদি হৌজিক ফাওবা থাদোক্তনা লৈরি। হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী লৈরিবা অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদা কুমজা ২০১৯গী ফেব্রুৱারী অমসুং মার্চ, কুমজা ২০২০গী এপ্রিল অমসুং মে থাগী পূন্না থা মরি পীখ্রে। কুকশিংগী ওনরিয়ম সেন্টরনা সেপ্টেম্বর থা ফাওবগী শোনফম থাদোকখ্রে হায়রি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা হায়, য়াম্নমক মরাইবক থীরবা শুপ্নগী থাগী লুপা লিশীং অমখক্তং ফংজবা নুপী শিন্নী কাঙবুশিং অসিগী ৱাকৎ অসি য়াম্না মরম চাবনি। মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা স্কুলশিংগী ওজাশিং অমদি ষ্টাফশিংগী থাগী তোলোপতি অদুমক পীরি। অদুগা মিদ-দে-মিল ৱর্করশিংগী ওনরিয়মদি থবক তৌদে হায়দুনা পীরোইদ্রিবনো, কুকশিংসু স্কুলদা থবক তৌজবা কাঙবুনি। মরম অদুনা লৈঙাক্না মথক্তা পীজরিবা ৱাফমশিং অসি মুন্না খন্থবীরগা মিদ-দে-মিল ৱর্করশিংগী ওনররিয়ম পীথোকপীয়ু হায়জরি।

# ৬৬শুবা মণিপুর থিএটর দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস) :
আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট অসিদা অৱাৎপা কয়া লৈরগসু আর্টিষ্টশিংনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরকপনা ঙসিদি মণিপুরনা আর্ট এন্দ কলচরগী লম্দা অচৌবা মফম অমা কনবা ঙম্লকপনি। লোয়ননা মসিগী ক্রেদিট পূম্বা আর্টিষ্টশিংদা পীজরি হায়না আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর ঙাঙোম উত্তমনা ঙসি য়াইস্কুল পুলিস লেন্দদা লৈবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন্দা পাঙথোকখিবা ৬৬শুবা মণিপুর থিএটর দেগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, হৌজিক কোভিদ-১৯গী অৱাবা মরকসিদা আর্টিষ্টশিংনা থবক থৌরম পূন্নমক লেপ্তুনা য়ূমগী অৱাবা কয়াদা শরুক য়াবদা থেংনরমগদবা অৱাবশিং অদু লৈঙাক্নসু খঙই। মতমগী মতুংইন্না লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবা লৈঙাক্না পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা আর্টিষ্টশিংনসু শরুক য়াবীয়ু হায়খি।

থৌরম অদুদা নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী এদিটর অমদি মীদিয়া এদভাইজর হেল্থ সর্ভিস ওফ মণিপুর খোইরোম লোয়ালাকপনা অখন্নবা মীথুং অমদি থিএটর সেন্টর মণিপুরগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা পদ্মশ্রী নবা ৱারেপ্পনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা হন্দক চহীগী ওইনা শক্লাইরবা মীওই ৩দা থিএটর সেন্টর এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নবসু উৎখি। থিএটর সেন্টর এৱার্দনা নিলধ্বজ খুমন্দা লৈরিক নীংশিং খুদোল, ক্ষেত্রিময়ূম রাসিদনা কে ঐচ ইবেচৌবী নীংশিং খুদোল অমদি আর কে খোগেন্দনা এস কোমোল নীংশিং খুদোল পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা থিএটরবু হৌদোক্লম্বা ওজাশিংগী মফমদসু হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা খোইরোম লোয়ালাকপনা ফোঙদোকখিবদা, চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ (সী এম ঐচ টি) গী মখাদা আর্টিষ্টশিংগীসু হেল্থ কার্দ পীনবা শেম শাদুনা লৈ। আর্টিষ্টশিংনসু খুদোংচাবা অসি লৌবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

থিএটর সেন্টরগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা পদ্মশ্রী নবা ৱারেপ্পনা হায়খি, থিএটর সেন্টর অসি লিংখৎলকপদা অৱাবা কয়া মায়োক্নখ্রবসু ঙসিদি আর্টিষ্টশিংনা অৱা অনা থিদনা হোৎনবিরকপা কয়া অসিনা ঙসিদি মালেমদা মণিপুরনা আর্ট এন্দ কলচরগী লম্দা অচৌবা ফিদা অমা কনবা ঙম্বনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়খি।

মণিপুর লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লদুনা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা আর্টিষ্টশিংগীদমক তোঙান তোঙানবা মতেং কয়া পীহন্নীংবগী অপান্বসু ফোঙদোকখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা থিএটরগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

# খুন্দ্রাকপম এ সীগী লৌমিশিংদা ঈশিং চিংনবা পম্প য়েন্থোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস) :
খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুংচন্না লৈবা পাঙ্গৈ হরাওরৌদা এ সীগী সোসল ৱার্কর অমদি হান্নগী মীরেপ ওইখিবা থাংজম মুহিন্দ্রো অমদি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নদুনা এ সী অসিগী মনুংদা লৈরিবা লৌমিশিংদা প্রধান মন্ত্রি ক্রিসি সিংচাই য়োজনা (পি এম কে এস ৱাই)গী মখাদা ঈশিং চিংনবা স্প্রিঙ্কলর পম্প ৪৯ য়েন্থোকখ্রে। এ সী অসিগী লৌমিশিংদা য়েন্থোকখ্রিবা স্প্রিঙ্কলর পম্পশিং অদু ৱাহেংবম ইরিগেসন ইন্টরপ্রাইজনা সপ্লাই তৌরকপনি হায়রি।

সোসল ৱার্কর অসিগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা লৌমিশিংদা স্প্রিঙ্কলর পম্প য়েন্থোকপগী অদুগী থৌরমদা মহাক্না হায়খি, এ সী অসিদা ইথৈ-লৌখোং মতিক চানা লৈতবা মরম্না মফম অসিগী লৌমিশিংনা লৌ উবা অমদি লৌরোক পান্থা লোয়রবা মতুংদা ইঙ্খাং-নাপী থানবা হোৎনবদা অচৌবা খুদোংচাদবা কয়া হৌখিবা চহী কয়াদগী মায়োক্নদুনা লাকখি। এ সী অসিগী লৌমিশিংগী অৱাবা খরদং ওইরসু কোক্লনবা অমদি মায়কৈ অসোমগী লৌমিশিংনা মহৈমরোং মরাং কায়না পুথোক্তুনা শেন্থোক লৈবা মফম অমা ওইরক্নবা অমদি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মেক ইন ইন্দিয়া হায়বদি লমদম অসিদা পোৎথোক পুথোক্লগা মপান লমদা য়োনদুনা মরোমদোম হিংবা ঙম্নবা হোৎনজবদা মতেং ওইনবা হায়বগী ৱাখল্লোল অদুগী পান্দমদা এ সী অসিগী লৌমি ৪৯দা স্প্রিঙ্কলর পম্প অসি য়েন্থোকপনি। লেমহৌরিবা লৌমিশিংদসু স্প্রিঙ্কলর পম্প খক নত্তনা মখা তানা মতম-মতমগী ওইবা পাংবা য়াবা মতেংশিংসু পাংগনি হায়না ফোঙদোকখি। য়াম্না চম্না সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা খুন্দ্রকপম এ সী জিলা পরিষদ থাংজম ওংবি অঙৌবি, প্রধান অমদি লৌমি কয়ানা শরুক য়াখি।

## কোয়না চৎতুনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস) :
লম্বী মপালদা লৌ য়ৈবা লোইরবা মতুং খন্থবা তৌদনা চরুশিং মৈ থাদোক্ন রকপনা মহৌশাগী খলদা চাউনা অকায়বা পীরদুনা এয়র পোল্যুসন থোকহনবদা নত্তনা মহৌশাগী খল কন্নবা হায়দুনা থাখিবা উ পাম্বী কয়াবুসু মাঙহন তাকহল্লিবসিগী মতাংদা অখন্নবা রেঞ্জ ওফিস কক্চীংগী রেঞ্জ ওফিসর নাওরেম মুনালগা লোয়ননা পাউমী টিম অমগা কোয়না চৎতুনা য়েংশিনখ্রে হায়রি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা কক্চীং তুরেল ৱাংমা টেজপুর তাবা লম্বীগী নাকলদা লৌ য়ৈবা লোইরবা চরু মৈ থাদোক্তুনা থল্লবা কয়া থেংনখি। লোয়ননা মনাক নক্না হৌবা উ পাম্বীশিং কংদুনা লৈরম্লসু থেংনখি হায়রি।

ঙসি চৎখিবা য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা রেঞ্জর ওফিসর নাওরেম মুনালনা হায়, মীয়াম্না লৌ লোকপা লোইরগা চরুশিং মৈ থাদোকপগী থৌওং অসি তৌবীগনু। চরু মৈ থাবা অসিনা ঐখোয়গী ইনভাইরনমেন্টতা পীরিবা চৈথেং অমদি চরু মৈ থাবগী মহুত্তা চরুনা পীবা কান্নবশিং খঙবীদুনা মফম চানা শীজিন্ননবা মমাঙঙৈগী মতৌগুম চরু পৈশিন্দুনা থম্বীয়ু। লৌ য়ৈবা লোইরগা চরু মৈ থাদোক্লম্বা অসিদা পাম্বী মৈনা চাকহনবা অমদি শিহনবা হায়বসি ইন্দিয়ন ফোরেষ্ট এক্ট ১৯২৭ অমদি মণিপুর ফোরেষ্ট এক্ট ১৯৭১গী মখাদা চৈরাক ফংহনবা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখি।

# লৈশেম্বা সনাজাওববু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস) :
পুৱারীবু লান্না উহল্লিবা কুমজা ১৯১৭কী থৌদোক্কী মতাংদা থাসিগী হৌখিবা ১৯দা উত্রা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা থৌরমদা এঙলো কুকি ৱার থোকখিবা লৈতে, পুৱারীবু লান্না ইফম থোক্তে, চিংঙাখম সনাজাওবনা চূড়াচান্দ মহারাজগী মায়োক্তা খোংজাই খুনগী খুল্লাকপগা লোয়ননা লালহৌ অমা চথুখিবনি হায়না রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোঙদোকখিবা অসিনা মীয়ামদা লৈরম্বা চম্মুবশিং কোকহনবিবা অসিগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না চিংঙাখম সনাজাওবা মেমোরিয়েল ত্রষ্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি জেনরেল পি কিরনকুমারনা প্রেসতা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঐখোয়গী ইরমদম কংলৈপাক্তা কনাগুম্বা মীওই খরনা পুৱারী লান্না ইশিনবা, মীয়াম্বু অরানবা লম্বী অমদা লমজিংনবা হোৎনবা য়াওদবা নত্তে। পুৱারী হায়বসি অশিবা মকোক থিবা নত্তে। হিষ্টরি হায়বসি সাইন্সনি, তুংগী মীরোলনা পুৱারীগী লিক্লমচৎ খোঙ্গুল লিদুনা মখোয়গী লৈশেমলোন, মীহৌরোল অমদি লাই ওইখ্রবা মপা-মপুশিংগী খোঙ্গুল লিদুনা নাৎকী চৎনবী শক্তম ঙাক্না, মরৈবাক্কী মনীং তম্বা ঙাক্না হিংনবা ঙাক্তনি।

ঐখোয়গী লৈবাক কংলৈপাকখা নোংপোক এসিয়াগী মনুংদা চহী চা কয়া মনীং তম্বা লৈবাক 'এসিয়াটিক সোভরেন্ট কন্ত্রি' ওইখি হায়বসি মালেমগী মীয়াম পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু লাইবক থীবদি কংলৈ খুন্নাইগী পুৱারী শূবশিংগী মরক্তা লমদম অসিগী তুংগী মীরোলবু লান্না লমজিংনবা হোৎনদুনা পুৱারী লান্না ইশিনবা য়াওদবা নত্তে।

লান্না ইশিনবা পুৱারীনা ঙসিগী মীরোলবু লান্না লমজিংবদা নত্তনা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা চয়েৎনবা, য়েংথিনবা থোকহন্নবগী মরম ওইহল্লিবা অসি লাইবক থীবনি। ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা শুংথোক থোকখিদবা এঙলো কুকি ৱার (১৯১৭-১৯২০) হায়রিবা অসিমক অচৌবা অরানবা পুৱারীবু নমথাক তৌবনি। কুকি লান হায়রিবসি চিংঙাখম সনাজাওবনা লুচিংদুনা মতমদুগী নিংথৌ চূড়াচান্দ মহারাজ গী থৌওং থৌশিলগী মায়োক্তা হৌখিবা লালনি হায়রি।

কুমজা ১৯১৭তা চিংঙাখম সনাজাওবনা লুচিংদুনা নোংপোক্তা চশাৎ নিংথৌ, তোংহু নিংথৌ, চিংখৈ নিংথৌ, নোংচুপ্তা তমেংলোং, থঙ্গাল, লাইমতোন, খাদা মোনবী, উখা, দাম্পী নিংথৌ অমসুং চিংনুংহুৎকী মীওইশিং অসিগা লোয়ননা কাঙলূপ কয়াগী মীওই য়াওনা লাল হৌরকখিবনি। লাল অসিদা কাঙলূপশিংনা লান্না মাগী-মাগী কাঙলূপ্না হৌখি হায়না ক্লেইম তৌফম থোক্তে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

---



# অঙাংশিংবু স্কুলদা থাবা হৌদ্রিঙৈদা মমা মপাশিংনা ফ্লূ অমসুং কোভিদ-১৯গী মরমদা খঙ্গদবশিং-১

কোভিদ-১৯ লাইচৎকী কল্লবা চৈথেং মরক অসিদা ফ্লূ (লোক থুংবা) গী মতম অমুক য়ৌশিল্লক্লে।

অনাবা অনীমক অসি মান্নবা লাইওংশিং উৎলি, মসিনা মরম ওইরগা নারিবা লায়না অসি করম্বনো খন্দোকপদা লুনা থোকপা য়াই।

অঙাংশিংদা কোভিদ-১৯ অমসুং সিজনেল ফ্লূগী মরক্তা খেন্নবা কয়াম ঙন্না খন্দোকপা ঙম্বগে হায়বগী মতাংদা রিসার্ছরশিংনা খঙবা হৌরকপদা ঙাইরি।

চিলদ্রেন'স নেসনল হোস্পিটালগী টিম অমনা চথুখিবা জামা নেটৱার্ক ওপনদা পল্লিস তৌখিবা রিসার্ছ অমনা কোভিদ-১৯ নৎত্রগা ফ্লূনা নাবা অঙাংশিংগী মরক্তা হোসপিটালাইজেসন রেট, ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু)তা এদমিসন তৌবগী চাং নৎত্রগা ভেন্টিলেটর শীজিন্নবগী চাংদা কা হেন্না খেন্নবা লৈতে হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।

ফ্লূনা নাবা মীওইশিংদগী কোভিদ-১৯না নাবা মীওইশিংদনা লাইহৌ, লোক খূবা, দাইরিয়া, ওবা, কোক চীকপা, হকচাং থীন্দোকপা নৎত্রগা থবাক নাবগী থৌওং থেংনবগী চাং হেনবদা রিসার্ছরশিং অঙকপা ওইখি।

ফ্লূ নাগনবা থা য়ৌরকপগা লোয়ননা অঙাংগী মমা মপা ওইবশিংনা মখোয় মখোয়গী মচাশিংদা নারিবা অদু সিজনেল ফ্লূরা নৎত্রগা কোভিদ-১৯লা হায়বা খঙনবা হোৎনবগী চাং ৱাংখৎলক্লগনি। মমা মপা ওইবশিংনা মচাদা নারিবা লায়না অদু ফ্লূরা নৎত্রগা কোভিদ-১৯লা খঙনবা হোৎনবা মতমদা করি করি য়েংগদগে হায়বদু মখাদা পীরি।

ফ্লূ অমদি কোভিদ-১৯

সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী) না হন্দক্তা ফ্লূ অমদি কোভিদ-১৯গী খেন্নবশিংগী মতাংদা গাইদলাইন ফোঙখ্রে।

সী দি সীনা হায়, কোভিদ-১৯ অমসুং ফ্লূগী ভাইরসশিংনা মীওই অমদগী মীওই অমদা শন্দোকপগী মওং মান্নে হায়না খন্নরগসু অকক্লবা চহী কাঙলুপশিং অমদি অকক্লবা পোপ্যুলেসনশিংগী মরক্তদি ফ্লূদগী কোভিদ-১৯না শন্দোক্কনবগী চাং য়াম্না হেল্লি।

রিপোর্ট অদুনা হায়রি মদুদি, ইনফেক্সন অমদা এক্সপোজ তৌরুবা মতমদগী লাইওং উৎলকপফাওবদা চঙবা মতম অমদি ভাইরস অদুনা কয়াম কুইবা ফাওবা অতোপ্পা মীওইশিংদা শন্দোকপা ঙম্বগে হায়বনচিংবা অদু ফ্লূগা কোভিদ-১৯গা খেন্নে।

সী দি সীগী ৱেবসাইটকী মতুংইন্না 'ফ্লূদগী কোভিদ-১৯না য়াম্না কা হেন্না থুনা শন্দোকপা ঙমই। কোভিদ-১৯ নাহল্লিবা ভাইরস অসি মীওই কয়া অমদা য়াম্না থুনা অমদি য়াম্না লায়না শন্দোকপা ঙমই মসিনা মরম ওইরগা মতমগী মতুংইন্না য়াম্লবা মীওই কয়াগী মরক্তা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরকই'।

কোভিদ-১৯না অঙাংশিংদা পীবা চৈথেং অসি হৌজিকফাওবগী ওইনা চপ চানা হায়বা ঙমদ্রি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী বেলোর কোলেজ ওফ মেদিসিনদা পিদ্যাট্রিক্সকী এসোসিয়েট প্রোফেসর ডা. ফ্লোর এম. মুনোজ-রিভাসনা হায়রি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লায়না লাইচৎ অসিনা অঙাংশিংদা পীবা চৈথেং অদু চপ চানা খঙনবা হোৎনবদা লাক্লিবা নীংথমথা অসিনা ঐখোয়দা খুদোংচাবা অমদি পীরগনি। মসিগী মরমদি সোসল দিষ্টেন্সিং অমদি কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী অতোপ্পা চৎন-কাঙলোনশিং লৈজরগসু মীয়াম অসি অয়াম্বনা মহৌশাগী পুন্সি মহিংদা হঞ্জিল্লক্লি অমদি লায়না লাইচৎ অসি লাকশিন্নবগী চৎন-কাঙলোনশিং অদু ঙাকপগী চাং ৱাৎনরক্লি।

হন্দক্কী নিংথমথা অসিদা ইনফ্লুয়ঞ্জা অমসুং কোভিদ-১৯ অনীমক পাক-শন্না শন্দোকপগী ফিভম অমা লাক্লগদি করি ওইরক্কদগে হায়বা ঐখোয়না খঙবা ঙমদে হায়নসু মুনোজ-রিভাসনা মখা তারি।

ষ্টদি অদুগী শরুক অমা ওইনা চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ ২৫ দগীনা মে ১৫ ফাওবগী মরক্তা কোভিদ-১৯গী দাইগ্নোজ তৌখিবা হোস্পিটাল অদুদা লৈবা পেসেন্ট ৩১৫দা রিসার্ছরশিং অদুনা য়েংশিনখি।

হায়রিবা পেসেন্ট ৩১৫ অদুগী ইনফোর্মেসন অদু কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর ১দগীনা কুমজা ২০২০গী জুন ৬ ফাওবগী মরক্তা ফ্লূ নাবগী দাইগ্নোজ তৌখিবা অঙাং ১,৪০২গা চাংদম্নদুনা য়েংখি। কোভিদ-১৯ পোজিটিবতি ওইরগা লাইওং উত্তবা অঙাংশিংদি পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী মরক্তা য়াওখিদে।

কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইবা পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী মনুংদা চাদা ১৭.১ হোস্পিটালাইজ তৌখি, চাদা ৫.৭না আই সী য়ুদা থমখি, অদুগা চাদা ৩.২ অমনা ভেন্টিলেটর শীজিন্নদুনা লায়েংখি। ফ্লূ নাবা অঙাংশিং অদুগী মনুংদনা চাদা ২১.২ হোস্পিটালাইজ তৌখি, চাদা ৭না আই সী য়ুদা এদমিট তৌখি অদুগা চাদা ১.৯খক্না ভেন্টিলেটর শীজিন্নদুনা লায়েংখি।

কোভিদ-১৯ নাবদগী হোস্পিটালাইজ তৌখিবা পেসেন্টশিং অদুগী মেদিয়ান ওইবা চহীনা ৯.৭, অদুগা ফ্লূ নাবা পেসেন্টশিং অদুগী মেদিয়ান ওইবা চহীনা ৪.২ ওইখি।

লাইহৌ হৌবনা খ্বাইদগী তোয়না থেংনবা লাইওং ওইখি, মসিগী মথংদনা লোক খূবনা ওইখি। ফ্লূনা নাবা অঙাং মশিংগা চাংদম্নবদা কোভিদ-১৯ না নাবা অঙাং মশিংনা হেন্না লাইহৌ হৌবা অমদি লোক খূবগী চাং হেনখি।

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**খুন্দোংবম লোয়াঙানবা, হৈরোক**

লোকদাউন কোমথোরকপদগী খজিক মীয়াম্না থবক শুবা-নোম্বা ঙমজরে। অদুবু অমরোমদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী পোজিটিভকী কেসকী মশীং অমদি শিবগী চাং ইখঙ খঙহৌদনা খঙহেন হেনগৎলকপা অসিনা মীয়ামদা অমুক মীপাইবা হায়বদু ওইরে। খজিক থবক শুবা নোম্বা য়ারকপদগী থবক তৌবা য়ারে হায়না হরাওনরিঙৈ চৈরক অসিদা লৈবাক মীয়াম্না হৌজিক অমুক নিমফুং-নিমফুং লোকদাউন তৌরকপা য়াই হায়বগী ৱাফম ঙাংনরকপা অসিদা চরাংনবা অমদি লাংতক্লবা অমসু ফাওদবা নত্তে। লায়না-লাইচৎ অসিগী অরুবা ফীভম অমদা লাক্লিবা অসি য়েংলুরগদি লোকদাউন তৌহন্নিংই অমদি হিংনবগীদমক খল্লগনা অমুক লোকদাউন তৌহন্নিংদে। অদুবু হিংদবদি য়াদবনি লৈঙাক্নসু থবক শুবা-নোম্বা য়াগদবা অমদি লায়না অসিসু লাকশিনবা ঙমগদবা থৌরাং-থৌশিল অমা তৌহন্নিংই। লৈবাক মীয়াম্নসু লায়না অসি লাকশিনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা তঙাইফদনা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। লায়না অসিদগী মতৌ করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বসি পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। মরম অদুনা হৌজিক-হৌজিক থেংনরিবা অৱাবা অসিদা অমনা অমগী মতেং পাংনবগী ৱাখল্লোলদা পোৎচৈ য়োল্লিবা মীওইশিংনসু পোৎচৈগী মমল হেনগৎনা য়োন্দনবা লৈঙাক্না য়েংশিনবিয়ু।



**বিসন লুৱাং, লম্লাই**

ফত্তে হায়বা থবক খুদিংমক অফবা লম্বীদা ওনশিন্নবা হোৎনমিন্নরসি। লোকদাউননা মরম ওইদুনা লৈবাক মীয়াম পূন্নমক খম থেংনা ৱানরবসু মায়কৈ অমরোমদা মীয়ামদা পারা কয়া অমসু তম্বিরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মীয়াম্না খঙনরমদবা অমদি খন্নরমদবা ৱাফম কয়া অমসু খঙনরে। মীপাল তাংদনা হিংবা ঙম্নবগী য়ূমদা লৈনা-লৈনা করি-করি তৌবা য়াই, করম্না শেন্থোক লম্বী শেমগদগে অমদি গভর্ণমেন্টকী থবকখক্না থবক নত্তে। ইশাগী শেন্থোকতি ইশানা লাক্লবা শেমজগদবনি হায়বসি পূন্নমক্কী ৱাখলদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মমি তাবা হৌরক্লে। থবক শুবা পাম্লমদবা মীওই কয়াসু থবক্তা চিলহাও থীদনা থবক শুবা হৌনরক্লে। নহা ওইরি হায়দুনা থবক তৌবা ইকাইনরম্বা অদুসু থাদোক্নদুনা অঙম-অঙম্বা অপিকপা-অচৌবা থবক থীদনা তৌনরে। হীরম খুদিংদা য়ুমদা লৈনা-লৈনা য়াম্না লায়না থবকসু তৌনরে। অৱাবা মতমদা মতৌ করম্না মায়োক্নগনি অমদি অৱাবা মতম অদুবু খুদোংচাবা লম্বী অমরোমদা পুথোক্কনি হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া মীয়াম্না খঙনরে। অদুবু লায়না অসি লাকশিন্নবগীদমক পূন্নমক্না লৈঙাক খক্তদা ইন্থোকপগী মহুৎতা ঐখোয় পুন্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# ৱেবিনর পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস) : দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলায়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) অমদি ওটোনোমস ষ্টেট দিমান্দ কম্মিটি য়ুথ ফ্রন্ট, অসামনা শীন্দুনা 'য়ুথ প্রসপেক্টিব ওন কোভিদ-১৯: চেলেঞ্জ এন্দ রেসপোন্সিবিলিটি' হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা ৱেবিনর অমা এম য়ুগী পোষ্ট ডোক্টরেল ফেলো, দিপার্টমেন্ট ওফ ইকনমিক্সকী ডা. এল বিশানজিৎনা মোদরেটর ওইদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না দেসামগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা এস ঐচ রিশিকুমারনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুদা দেসামগী সেক্রেটরি জেনরেল লৈশাংথেম লময়ানবা মৈতৈ, ওল বোরো ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ বি এস য়ু) গী এদ্যুকেসন সেক্রেটরি কাসটোম বাসুমাটরি, ওটোনোমস ষ্টেট দিমান্দ কম্মিটি য়ুথ ফ্রন্ট, অসাম (এ এস দি সী ৱাই এফ) কী প্রসিদেন্ট মিষ্টর প্রেমসন বে, দিমাসা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (দি এস য়ু) গী রিপ্রজেন্টেটিভ মিষ্টর রিংসোন সুরাংসা, কারবি ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) গী রিপ্রজেন্টেটিভ মোনিরাম টেরোন, সিক্কিম ইন্দিজিনস লেপচা ত্রাইবেল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম এস ময়ালমিৎ লেপচা অমদি দি ইন্দিজিনস প্রোগ্রেসিভ রিজনেল এলায়েন্স (টি আই পি আর এ) ত্রিপুরাগী ওবজর্ভর ইন চার্জ দেভিদ মুরাসিংসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা অৱাং নোংপোক্কী লমদমশিংদা থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী চৈথেং অমদি লায়না লাইচৎ অসিবু থেংনবগী মওং মতৌশিং নৈনদুনা কুপ্পা খন্নখি হায়না চেরোলসিনা মখা তারি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২২।১০।২০২০ ইং, শগোলশেল; অয়ুক পুং ৭.৪০
ফাওবা মেরাগী ৬ নি পাল্লি, মতুং ৭নি পানগনি।

**মেষ :** লৈঙাক্কী লম্দা পামদবা নংবা অমদি পাইরক্কী লৌশিং শোনবা অমদি মরুপ মপাংনা নথক থোংবদা লান্না পাউথোকপিবা য়াবা লৈ। তপথদ্রদি কাইননি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - পূক্লিং ফাথৌ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**বৃষ :** নরল চাওখৎনবা হোৎনবা মায় পাক্কনি, ঙাঙবা-শকপা হৈবনা মীনা য়াগনি অমদি ইমুং মনুংগী ৱা তানবনা শেল-থুম কান্নবা হেনগনি। য়েৎনবদি য়াদেকো।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা থাগৎপিগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিথুন :** ঙসিসু নিংবা থুংগনি, লল্লোন ইতিক্তা শেন্দোং ফংগনি অমদি লৌশিং তান্নবদা মায় পাক্কনি। অপাম্বা থবক পাংবা য়াগনি অমদি ৱাখল তামিন্নবা য়াগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মায় পাক্কনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কর্কট :** লৈঙাক্কী লম্দা মরুপ মপাংগা মরী ফবা ৱাৎকনি অমদি অনম তাল্লদি লন ময়েং তাগনি। মীয়ামগী মতেং অমদি শেল থুমগী ফংবগী নুংঙাইবা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - অফবা মরী লৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** লন, মীংচৎ অমদি অফবা মফম ফংবা লৈগনি। অদুবু মরুপ মপাং অমদি অঙম্বনা চানবীবা ৱাৎপা অমদি খূৎ চাওবনা মাঙজবদি লৈগনি। তপথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নিংবা মপা চাদে।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** লৌশিং থোকপা ৱাৎপনা মীগী থবক্তা য়াওরুনু অমদি অনৌবা থৌরমদা মাং থাগনু। হকচাংসু নুংঙাইবা ৱাৎলি অমদি চিন য়াংগনু। থিবা হুম্বা তনগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মতম খরা ঙাইয়ু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**তুলা :** মীৱা লৌবনা চিংনবা অমদি পূক্লিং ৱাবা লৈগনি। চিঞ্জাক কামগনু। অনা অয়েক লৈরম্বদি কোকচরগনি অমদি মীয়ামগা হান্নদগী হেন্না মরী ফগৎকনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নিংবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** মরম চাদনা হোয়া ফবা অমদি অনম তানবা তোক্লসি। লৈঙাক্কী লম্দা নোল্লুকপা ৱাৎলদি কাইনবতা থুংগনি। শেল অমদি মী খরগী মতেং ফংবদি লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

**ধনু :** খুরক্কী ঈনা লাই শাবা, অফা অপুন্নবা অমদি য়েৎনবনা মাঙজবা লৈগনি। অদুবু লল্লোন ইতিক কান্নবা, হরাওবা অমদি অরুবা থবক পাংবা নুমিৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মকর :** ওইজবা মাঙবা, মীচং ৱাৎপা অমদি মহু চাওবা মীনা কাইনহনবা লৈগনি-ৱা ঙাঙবা চেকশিল্লু। পংথরদি কাইনবা নংগনি। লৌশিং চাওবা মী লোয়নৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ওইজবা মাঙগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কুম্বা :** মীচং হেনগৎপা অমদি য়েক্লববু লায়না লাকশিনবা নুমিৎনি। অনৌবা অশা লাক্কনি। নাপল অমদি ঈরাং পুবনদি মাঙজবতা থংগনি। হন্থবনা মাঙহনগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - কল্লকপা য়াম্মী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিন :** মরম চাদনা ঙক কনবা অমদি মফৎতা শাওগৎপা তৌগনু। ঈংথবনা মাঙগদবা কয়াদগী কঞ্জগনি, ননাই ফংই অমদি লল্লোন ইতিক্তা মীকোক থোংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।